# "কায়রবা ঋতুগী তান্থা"

## EPISODE-22

**(Global Warming Refuges)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) য়াইমা - কোরৌঙানবীগী মবুং (২) তোলেনখোম্বা - রিছার্চ স্কোলর (৩) য়োইময়াই - রিছার্চ স্কোলর

নুপীঃ- (১) লৈরিক - য়োইময়াইগী মমা
(২) কোরৌঙানবী - লৈশাবী

(মতমঃ- অয়ুক, মফম :- লৈরিক্কী য়ুম, টি.ভি. থাবগী মখোল)

লৈরিক :- ইবুংঙো... য়োইময়াই হৌগৎলোনে নঙবো থেঙলেনে, নশা নুংঙাইত্রবরো নঙবো।

য়োইময়াই :- (হাকাম চনবা) ইমা ঐদি ঙরাং অথেংবফাওবা অর্ন্দস্তেন্দিং গ্লোবেল ৱামিং হায়বা মার্ক মুলরনা ইবা লাইরিক অদু সুম পারুবদগী লোয়ফাওবা পানিংলক্তুনা পাবদগী নোংয়াই মতুং পুং অনি তারকান্দা তুম্লে অদুনা নোংঙানবগা অমতা খঙহৌদরে।

লৈরিক :- হৌগৎলো হৌগৎলো, নমায় নমিৎ তাথোক্লুরো, ব্রসকা তৌথোক্লুরো চৎলো, ইমানা ঙসাইনা নঙগী ব্রেকফাষ্টকা লোয়না শেম শাদুনা থম্লবনি।

য়োইময়াই :- হোয় ইমা, ঙসিদি ঐসু ঐগী রিছার্চ ৱার্ককী ফিল্ড ৱার্ক চৎকদবা লৈ, পরপ পরপ লোইশিল্লকঅগে।

লৈরিক :- হোয় হোয় লোইশিল্লুরো, ইমাসু চাক ঈশিং থোংলম্লগা ওফিস কাগদবনি। ঐবু ঙসি অয়ুক্কী খবর পাদ্রিনে, খবরদুনা কদাইদা লৈখ্রজাৎনো, ঐবু ঙসাই স্বাইদা থমখিগুম তৌবনি। এ ! লৈরে লৈরে... করি করি পাওবু য়াওরিজাৎনো, হৌজিক্কী পাওসিদি মীহাৎ-মীপুন, মীশি মীনাগী পাওদি কুংঙি, লুপা কোটি মঙারোমগী ওইগদবা দ্রগকা কোন্ননা মীওই অনি ফারে... বিহার অমদি উত্তরপ্রদেশতা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা শিখিবা মীগী মশিং চাওরাক্লা ১০০ রোম শুখরে হায়না হায়রি... ইস ! ঐখোয়সিদনা ইকংগী অৱাবা মায়য়োক্লরি... মফম খরদনা অমুক ঈশিং চাওদুনা মীশি মীনা থোক্লি, খঙদ্রে খঙদ্রে ঐখোয় মীওইবনা তৌগদবসে, মহৌশাগী অইং-অশাগী খল কাইরকপদগী থেংনরক্লিবা অৱা-অনা ময়ামসিদগী করম্নবু ঙাকথোক্কদগে।

তোলেনখোম্বা :- (মপান্দগী কৌরকপা) য়োইময়াই... য়োইময়াই, লোয়শিন্দ্রিবরা নঙবো।

লৈরিক :- তোলেনখোম্বারা, ইমুংদা চংঙকউদনা, য়োইময়াইদু বাথরুম চঙখি, থোরকঅনি।

তোলেনখোম্বা :- পুংদি থেংজিল্লক্লে, ঙন্তা ইবানি ফিল্ড ৱার্ক চৎসি হায়নবনি ইমা।

লৈরিক :- সোফাদুদা ঙহাক ফল্লগা ঙাইরো, কদাইদনোনে নখোয়না ফিল্ড ৱার্ক চৎলুনি হায়রিসিবো।

তোলেনখোম্বা :- ইমা মমাঙ চহিদা অৱাং থংবা চীংশাং নাপোমশিংদা কা হেন্না নোং চুবদগী মদ স্লাইদ থোকপদগী য়ুম-কৈ কয়া চেন্থখিদুনা অমাং-অতা, মীশি-মীনা কয়া থোকখিবা মফম অদু নীংশিংবীরিব্রা?

লৈরিক :- মদুগী খুন্দুবু মতাই খুন্নৌ হায়বা নৎতরনে।

তোলেনখোম্বা :- মানি ইমা, খুন অদুদা চৎতুনা, মফম অদুগী অৱা-অনা তাখ্রবা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই, ৱাহং-পাওহং কয়াসু তৌনরক্কনি অদুগা মফমদুগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ইনভাইরোন্টমেন্টকী মরমদসু থীজিনগদৌরিবনি।

লৈরিক :- ইবুংঙো হৌজিক্কী ক্লাইমেৎ কন্দিসনদা অহোংবা অকায়বা কয়া ওইরকপদগী নেচরেল দিজাষ্টরশিং অসি থোরক্লিবনিকো।

তোলেনখোম্বা :- অচুম্বনি ইমা, মহৌশাগী লৈজরম্বা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংদা অহোঙবা অকায়বা কয়া থোক্লকপদগী ঐখোয়না হৌজিক অৱাবা কয়াসি থেংনরক্লিবনি।

লৈরিক :- য়োইময়াইদুবু লোইদ্রিজাৎলনে... ইবুংঙো লোইদ্রিবরা নঙবো... ওন্থোক্লা মোনখরে নঙসে কোক লোইশিনলোনে, থেংখ্রেনে তোলেনখোম্বনা নঙবু ঙাইরিসে ফনা কুইরে।

য়োইময়াই :- লোইরে লোইরে ইমা... ইমা ব্রেক ফাষ্টপু কদায়নো।

লৈরিক :- ইমা পুবরিকঅগে পুবীরকঅগে, তোলেনখোম্বা নবানি চামিন্নরো (চঙখিবা)।

য়োইময়াই :- ভাই হন্দক্কী সন্দেসিদা নখোয় য়ুমদা চৎলুসি, তাচৌগা ইচল কোরৌঙানবীগা উদবা য়াম্না কুইরে।

তোলেনখোম্বা :- হোয় মরুপ চৎলুসি, কৈদৌরবনো খঙদে হন্দক্তি তাচৌসু ফোনগা অমতা তৌরক্তে, কোরৌঙানবীদুসু ঐনা নহাল ফোন তৌবদা পাইরক্তে, মানসু অমুক হন্না তৌরক্তে, ঐসু পুক্নিং অসে নুংঙাইফম খঙদে, মখোয়দুবু ঐগী রিছার্চ তৌবসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা য়াম্না ৱারজাৎলা নত্রগা অনা-অয়েক য়াওরজাৎলা খঙদ্রে

য়োইময়াই :- কৈসু তৌরল্লোইদা, চৎলগা হেক য়েংলুরগা লোইরে।

লৈরিক :- সে সে নবানিগী শঙ্গোমগা ব্রেদকা লৈরেসে, নবানিবু চাক্তি কমদৌবা।

তোলেনখোম্বা :- ঙসিদি হোটেলদা ওইনা হেক্তা চারগে ইমা।

য়োইময়াই :- হোটেলদা নোংফাদোক চাক চাবসিসু ফনবু হাওই ঐদি।

লৈরিক :- হাওনি হাওনি নোয়দি, চারুচো চারুচো, হোটেলদা হাওনা, ঐসু ঙসিদি ইতোমতা খামেনশিনবগা ঙাফক্কা থোংলগা চাথোক্কে।

য়োইময়াই :- ইমা খামেনশিনবগা ঙাফক্কা থোংবদুদি ঐনা য়াম্না পামজবা এঙ্গাংনি, হোরেল ঐখোয়না হল্লক্লগা চান্নবা খরদি খাকপীরম্মুবা।

লৈরিক :- ইচা অনিগী করিগী খাক্তনি, ইমানা নুংশিদুনা ফাগী তৌবনি, ঐনা করম্বা মতমদা নখোয়গী শরুক খাক্তবা য়াওখ্রগেনে।

তোলেনখোম্বা :- ইমা ! সহরসিদগী য়াম্না লাপ্পা লৈবা লোয়ালমদগী লাকপা ঐবু ইমানা নচামক্লি খনবীদুনা ইমাগী ভারাগী কা অমদা ভারাসু অমতা লৌবিদনা লৈহনবীরি, অৱাৎ-অপা পুন্নমকসু য়েংশিনবীরি, ইমা মশক খঙজহৌদ্রবা ঐনা ইমাবু ঐবু হেক পোকপীবা ইমামকনি খঞ্জরিবনি, ঐনা মতিক চাবা মীওই অমা ওইবা ঙল্লবা মতমদা ইমাগী লমন শিংবা ঙম্বা ওইজগে।

লৈরিক :- তোলেনখোম্বা ! করিনো নঙনা ঙসি ঙাংলিবা ময়ামসিবো, ইমানা য়োইময়াইগা নঙগসে ইমাগী ইফমদদি চপ মান্ননা খল্লিবনি। চৎলো চৎলো নখোয়গী চৎকদবদো চৎচরুরো, ঙন্নদি হল্লকউকো। ইমাসু ওফিস ঙন্না কাবা ঙম্নবা থবক ইনখাং লোইশিল্লুখিগে।

য়োইময়াই :- অদুদি ইমা ঐখোয় চৎলুখিগে, চৎসি লাকও তোলেনখোম্বা।

-ম্যুজিক-

(মফম: লোয়ালম, মতম: অয়ুক অঙনবা, নুংশিবা উচেক্কী খোঞ্জেল)

কোরৌঙানবী :- তাচৌ ! কৈদৌরে মাঙ্গোল উকোকতেন্দুদা ঙারগা চিন্তা তৌদুনা ফল্লিদুবো, হকচাং নুংঙাইত্রবরো, কৈদৌরগে লৌবুক্তগা অমতা চৎলরোইদরা

য়াইমা :- ইবুং কৈসু তৌদে, ৱাখল অমা সুম খল্লম্বনি, নখোয় তাতোন্দুবু কৈদৌরজাৎনো ফোনগা অমতা তৌরকত্রিসিবো।

কোরৌঙানবী :- নহালনোংমা ঐখোয় তাতোন্দু ফোন তৌরক্লম্বজাৎনি ঐনা তাহৌদদুনা পাইহৌদরে, অমুক হন্না তৌগদবসু ফোন পৈশা অমতা য়াওদবদুদা অদুম তৌদরে।

য়াইমা :- অদুদি নঙদি হান্না হায়বা য়াদবরা, হোরেল ফোন পৈশা হাপ্লগা ওইনা তৌরসি।

কোরৌঙানবী :- হোয় তাচৌ, ঐখোয় তাতোন্না পি.ঐইচ.দি. তৌরিসিবু লোয়গদবা কয়াম ৱাৎলিবগে।

য়াইমা :- মথং চহিদগদি লোয়রনি হায়গুম তৌবনি, নখোয় তাতোন্না মাগী পি.ঐইচ.দি. ডিগ্রিসিদং ফংলবদি ইবুংনা নিংজবা পুন্নমক থুংলদবনি।

কোরৌঙানবী :- ঐখোয় তাতোন্না রিছার্চ ৱার্ক লোইদুনা দোক্তরেৎ ডিগ্রি হেক ফংবগা মাগা চান্নবা থবক ফংলবদি ঐখোয়গী অৱাবা পুন্নমক কোক্লগনিকো। ঐসু সহরদা চৎতুনা অফবা কোলেজ অমদা বি.এসি. তম্লুগেকো তাচৌ।

যাইমা :- হোয় হোয়, ইবুংনা নঙবু শোয়দনা লাইরিক মখা তমথহনগনিদা, হন্দকসে ইকং থোক্তুনা লৌউবা য়াখিদবদুনা মরম ওইরগা খুৎতা পৈশা অমতা লৈখিদবদুনা ইচলগী মীং চনবা ঙমহৌদবনি, নঙনা হন্দক চহি মাঙদুনা লৈবসে ইবুংসু থৰায় নুঙাইত্রিবনি্

কোরৌঙানবী :- (ফোন রিং লাকপা) তাচৌ ! ঐখোয় তাতোন্না ফোন তৌরকএ।

যাইমা :- অদুদি ফোন্দু কোক পাইখৎলোদনা।

কোরৌঙানবী :- (পুক্লিং নুংশিনা) হল্লো... তাতোন ! হৌজিক্তা তাচৌগা ঐগা তাতোনগী মরমদা ৰারী শান্নরল্লিনে, তাতোন নহাক যুমদা লাক্তবসু য়াম্না কুইরে, ঐ তাতোনবু য়াম উনিংঙি, হন্দক ছুটি লৈবদা যুমদা লাকউকো।

তোলেনখোম্বা :- কোরৌঙানবী ! ইবুংগী ইচলতোম্বী, ঐসু তাচৌগা নঙগা য়াম্না উনিংঙি, ঐ য়াম্না থুনা যুমদা লাক্লবা তৌগে, তাচৌদুবু কমদৌরিগে মৰা-মপাওসু অমতা তাদে, অনা-অয়েক য়াওব্রা?

কোরৌঙানবী :- অনা-অয়েকপুদি য়াওদ, তাচৌ অমুক ফোন পাইহল্লক্কে। সে তাচৌ তাতোনগা ৰারী শানৌও।

যাইমা :- তোলেনখোম্বা ! নঙগী রিছার্চ ৰার্কনা কমদৌরিবা, পৈশা নুংশানা কমায় তৌরিবা, তাচৌসু হন্দক্তি নঙগী পৈশা মতিক চানা পীবা ঙমখিদরে, ৰারসু ৰানা মতম খরদি খাংঙুকো।

তোলেনখোম্বা :- তাচৌ ঐগী স্কোলরশিপকী পৈশাদুসু হন্দক থা অহুমগী পুল্লপ ফংঙে অদুনা ঐগী থেসিস নম্বদা চংগদবা পৈশাগীদি কোন্নরনি, তাচৌ করিমতা ৰাবিরুরগনু।

যাইমা :- ফরেদা অদুদি, ইয়াম্বদি হন্দক্তি মহৈ মরোংসু অমতা ফজনা লোক্ত্রবনিনা অৰাবা ওইরে, নচলসিসু য়াম্না ৰাজরবনি, কোলেজদা মমিং ফাওবা চনবিবা ঙমদ্রবনি।

তোলেনখোম্বা :- তাচৌ ! ঐগী থেসিস হেক সবমিত তৌখিবগা ঐখোয়গী আর্থ সাইন্স দিপার্টমেন্টতা গেষ্ট লেকচরর ওইনা পুনবা ঐখোয়গী হেড ওফ দিপার্টমেন্টনসু য়াবিরে।

যাইমা :- ঈশ্বরনা ঐখোয়গী অৰাবসে উবীরদুনা মতেং পাংবিবা হৌরক্লবনি, হোৎনবা লেপ্পা য়াদে, মীয়াম্না শকখঙনরবা অফাওবা সাইন্টিষ্ট অমা ওইদবা য়াদবনিকো।

তোলেনখোম্বা :- হোয় তাচৌ, ঐ তাচৌগী নীংবা শোয়দনা থুংহনবা ঙম্নবা হোৎনজগনি, কোরৌঙানবীদু ফোন অমুক্তগা পাইহনবীরকখো তাচৌ।

যাইমা :- সে সে ইবেম্মা নখোয় তাতোন্না নঙোন্দা ৰা খরা হায়নিংলিবা মাল্লে।

কোরৌঙানবী :- তাতোন কৈদৌরগে, করি ৰা অমুক হায়দোইনো।

তোলেনখোম্বা :- হন্দক ইবুংনা লাকপদা নঙগী করি লৈরকউ হায়বনো।

কোরৌঙানবী :- উম... আ... তাতোন্না ঐগীদমকনি খন্দুনা লৈবীরকপা অমা হেক্তা যাইদা, অদো থুনদি লাকওকো, থন্মগে।

তোলেনখোম্বা :- হোয় হোয়, ইবুং থুনা লাকঅদবনি থন্মো থন্মো।

যাইমা :- ইবেন্মা ! তাচৌসু লৌবুক্তা ঙহাক চৎলুখিগে, নঙসু চাক ঈশিং থোংদোক্লবা তৌরম্মো।

কোরৌঙানবী :- উম ! অদো তাচৌ য়াম্নদি থেংলক্কনুকো।

যাইমা :- হোয় হোয় থেংলকওইদা।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাং, মফম: লৈরিক্কী য়ুম, নুংশিবা ঈশৈগী খোঞ্জেল তপ্লপ তাবা)

লৈরিক :- য়োইময়াই ! চাক লোইরে, ইমা ইচা চাথোকমিন্নরুরসিদো।

য়োইময়াই :- ইমা, ঐ আর্টিকলসিমতা পাবা লোইশিল্লকখিগে।

লৈরিক :- করিগী অঅর্টিকলনোনে অদুক থৱায় য়াওনা পারিদুবো।

য়োইময়াই :- হৌজিক হৌজিক মালেমসিদা য়াম্নমক বর্নিং ইশু অমা ওইরক্লিবা টোপিক অমগী মরমদনি।

লৈরিক :- অদুবু করিনো হায়বনি, ইমাসু খঙনিংঙি।

য়োইময়াই :- হৌজিক মালেমসিদা গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইদুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোরকপদগী নেচরেল দিজাষ্টর মখল মখা কয়া হায়বদি ইকং থোকপা, ঈশিং ইচাও থোকপা, য়ুহা হাবা, চীং নীংখাইরকপনচিংবা কয়া তৎতনা থোরকপদগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনবতা নৎতনা ময়ুম মকৈ লৈফম লৈতদুনা মীওই কয়া কঙাওনদুনা লৈফম চাফম খঙদদুনা মফম অমদগী মফম অমদা লৈফম থিনবা কোইচৎ চৎলি, শৈদাংফম লৌনরি, মসিগী মরমদা ইবা আর্টিকল, গ্লোবেল ৱার্মিং এন্দ রিফ্যুজি হায়বা অদুনি ঐনা পারিসে।

লৈরিক :- এ ! মদুগী টোপিকতুমদি ইমাদি ঙসি তারিসিনি, গ্লোবেল ৱার্মিং, ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়বা ৱাহৈশিং অসিদি হৌজিক হৌজিকমক মীপুম অয়াম্বনা খঙনরবা, থেংনরবা ৱাফমনি। ইবুংঙো গ্লোবেল ৱার্মিং এন্দ রিফ্যুজি হায়রিবসি গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা ময়ুম-মকৈ লৈফম লৈতদুন অতোপ্পা মফমদা চৎতুনা শৈদাংফম লৌদুনা হীংননবা হোৎনরিবা মীওইশিং অসিবুনিকো।

য়োইময়াই :- মানি ইমা, ইনভাইরোন্টমেন্টেল জষ্টিস ফাউন্দেসন (ই.জে.এফ) কী রিপোর্টকী মতুংইন্না মালেম অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ১০রোমদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চৎননবা মরম ওইহল্লক্লি, হৌজিক্তগী চহি নিফুরোমগী মতুংদা মীওই মিলিয়ন ১৫০রোমদি "ক্লাইমেৎ রিফ্যুজি" ওইনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা অতোপ্পা মফমশিংদা হীংনবগীদমক শৈদাংফম লৌদুনা লৈরগনি হায়রি।

লৈরিক :- হৌজিক মালেমসিদা ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসিদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনহৌদ্রবদি ঐখোয় মীওইবা পুন্নমক লৈফম লৈরক্লোইদৌরিবনি, থৱায় পানবা পুন্নমক মুৎখিবা য়ারিবনি, ইস য়াম্না কিনিংঙাইনি।

য়োইময়াই :- তোলেনখোম্বদুবু মৰা মপাওগা অমতা তাদে, মাগী কাদা লৈজাৎলা, তুমখ্রজাৎলনে।

লৈরিক :- হোয়নে ঙসাইসু হল্লকপা উহৌদে, মাবু কৈদৌরজাৎনো তুমীন লৈখ্রিসিবো, তোলেনখোম্বা ... তোলেনখোম্বা নঙবু কৈদৌরিগে, কদোমদা লৈগে।

তোলেনখোম্বা :- করি হায়গে ইমা, ঐ কাদা লৈয়ে।

য়োইময়াই :- সিদা ওইনা ফমসি লাকও, ইমাগা ঐগা য়াম্না মরুওইবা টোপিক অমা খন্নরিয়ে।

তোলেনখোম্বা :- করি মতাংদনো খন্নরিবো, ইমাহোয়বু চাকপু চারবো।

লৈরিক :- চাদ্রিদা, নঙবু চারবো

তোলেনখোম্বা :- ঐসু চাদ্রি, গ্লোবেল ৱার্মিংগী মরমদা ইবা লাইরিক অমা সুম পারম্বনি।

য়োইময়াই :- ঐখোয়না খন্নরিবা অসিসু গ্লোবেল ৱার্মিংনা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রবা মীওইশিংগী মরমদনি।

তোলেনখোম্বা :- ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা থোকহল্লকপা নেচরেল দিজাষ্টরশিংনা বঙ্গলাদেশ, কেনয়া, নিয়ু গুইনিয়া, সোমালিয়া, য়েমেন, ইথোপিয়ানচিংবা মফমশিংদা মীওই কয়া লৈবা ঙমদদুনা অতোপ্পা মফমশিংদা চৎখিদুনা হীংন্নবা হোৎনরি। হৌখিবা চহি ১০রোমসিদা বঙ্গলাদেশতা অইং-অশাগী খল কাইরকপদগী থোরকপা নেচরেল দিজাষ্টর ৭০ রোম হেন্না মায়য়োক্নখরে।

লৈরিক :- ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা য়ুমলৈ-কৈরৈ, চীঙ্গাক, থক্নবা ঈশিং অমদি মীওইবগী হকশেলদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লক্লি হায়বসিসু অচুম্বনিকো ইচাশা।

য়োইময়াই :- য়াম্না চুন্নবা ৱাফমনি ইমা, ৱারি শারিঙৈদা পুংগসে অমতা খঙহৌদরে, থেংলে চাক চাথোক্লুরসি ইমা।

লৈরিক :- তোলেনখোম্বা নঙসু ঐখোয়গা পুল্লপ চাথোকমিন্নরুরসি লাকও।

তোলেনখোম্বা :- হোয় ইমা, হন্দক্তি ঐখোয় য়ুমদা পুল্লপ চৎমিন্নরুশিকো।

লৈরিক :- হোয় হোয় চৎলুরসি, ঐসু চৎনিংদুনা লৈরল্লিবনি।

-ম্যুজিক-

(মফম:- তোলেনখোম্বগী কা, মতম: নুমিদাং অথেংবা মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা মতম)

য়াইমা :- ইস ! নোংসিদি ওন্থোক্লা কন্না চুরেদা, নোংশিনা অসুমক লেপত্রবদি চীংমাইসি নীংখায়রক্লবদি ঐখোয়গী য়ুমসিদি হেক চীংখোংসিদা লৈবনি য়ুমসে শোয়দনা তেক্কুনা ঐখোয় লৈফম লৈররোই, কমাই তৌনি তৌরিসিদি (নোং কন্না চুবা)।

তোলেনখোম্বা :- তাচৌ নোংসি মওং অমনি, চীংমায়সিসু উ-ৰা, নাপী অমতা হৌদ্রবনিনা শোয়দনা নীংখাইরক্লগনি খরা শাফগদবা মফমদা চৎহৌরসি অদু নত্রদি ঐখোয় শোয়দনা খুদোংথিবা নংলগনি ।

কোরৌঙানবী :- তাচৌ... তাতোন... ঐদি য়াম কিজেয়ে, চীং নীংখাইরক্তুনা ঐখোয়গী য়ুমসিদা ননশিনলক্লবদি ঐখোয় শোয়দনা শিরগনি (নোং হেন্না কন্না চুরকপা, অখাক-অরাওগা লোয়ননা)।

য়াইমা :- হায়... হায় ... করি মওংনোনে ঙসি তৌরিসিবো... কোরৌঙানবী... তোলেনখোম্বা লাকওনে নখোয়বো থৰায় হীংনবা খরা লাপ্না চেনথোকহৌরসি লাকওনে, চীংসি নীংখায়বা হৌরক্লমাল্লে... লাকওনে নখোয়বো (লাওবা)।

কোরৌঙানবী :- (কপ্পা) তাচৌ... তাতোন ... কমাই তৌনি... ঐগী খোঙসে লৈখোমসিদা লোয়না পুথখরে... ঐ চৎপা ঙমদরে... তাচৌ... তাতোন।

তোলেনখোম্বা :- (কন্না লাওবা) তাচৌ... তাচৌ... কোরৌঙানবী... কোরৌঙানবী ... ইবুংগী ইবেম্মা (কপ্পা)।

লৈরিক :- য়োইময়াই... য়োইময়াই হৌগৎলো, হৌগৎলো হায়বনে কন্না লাওরিসিবু তোলেনখোম্বা নৎতরনে।

য়োইময়াই :- কৈদৌরগে ইমা অসুক থেংলা কানসিদা হৌদোরকইসিবো তোলেনখোম্বা কৈদৌরে হায়বনো?

তোলেনখোম্বা :- (কপ্পগা লাওবা) তাচৌ... তাচৌ ... কোরৌঙানবী... কোরৌঙানবী নখোয়বু কদোমদনো... চীং নীংখায়রক্তুনা য়ুমসু লোয়না ননশিনখরে, নখোয়সু চীংলৈবাক্কা ননশিঙ্খ্রবরা, ঐ ইতোমতা হুন্দোক্লগা থনম্লব্রা... তাচৌ... কোরৌঙানবী।

য়োইময়াই :- এ ! তোলেনখোম্বনিনে কৈদৌরজাৎনো মানা কপ্পগা কন্না কন্না লাওরিসিবো, লাকও ইমা মাগী মনাক্তা চৎসি লাকও (পাখৎনা)।

লৈরিক :- হায় তোলেনখোম্বা ... তারবরো নঙবো ... সেনে নমীৎ শীংঙুনে... তোলেনখোম্বা ... তোলেনখোম্বা।

য়োইময়াই :- (মশা নোম্বা) তোলেনখোম্বা... সে নমীৎ পাংঙো... সেনে গ্যান তারব্রা নঙবো, সে হৌগৎলো...।

তোলেনখোম্বা :- (স্বর শাংনা হোন্থরকপা) ইস ! ঐদি ওন্থোকপা মঙ অমা মঙলুরেদনা।

লৈরিক :- নশাদু হুমাংনা পুমচোৎ চোৎলে, সে ফদিসিনা ইমা তৈথোকপীগেসে।

তোলেনখোম্বা :- পুংবু কয়া তাখ্রগে, ঐগী ফোনদি, নোংয়াই মতুং পুং অমা তাগদৌরেনা ... (ফোন কি পেদ নম্বা)।

য়োইময়াই :- কৈনো হৌজিকপু কনাদা ফোন তৌগে তৌরিনো, মী পুম্নমক নুংঙাইনা তুম্নবা মতমসিদা।

তোলেনখোম্বা :- (খুমদনা ফোন কি পেদ অদুমক নম্বা) অস ! ফোনসিসু রিংদি চৎলি শুংপাই পাইরক্তেনে তৌরিসে, ঐখোয় তাচৌগা, ইবেম্মগদুবু কৈদৌরজাৎনো (পাখৎপা)।

য়াইমা :- (ফোন রিসিপ্ত তৌবা) কৈদৌরে তোলেনখোম্বা, অসুক থেংলকানসিদা ফোন তৌরকইসিবো, কৈদৌরগে নঙবো?

তোলেনখোম্বা :- তাচৌ ঐখোয় ইবেম্মদি, ইবেম্মা অমুক্তা ফোন পাইহনবিরকউ।

য়াইমা :- ইবেম্মদি নুংঙাইনা তুল্লিনে, ৰারী শানগে হায়রসু হয়েং অয়ুক ওইনা শান্নরোদনা।

তোলেনখোম্বা :- (থৰায় নুংঙাইতনা হায়বা) তাচৌ ! ইবেম্মদু অমুক্তা হৌদোকপীয়ু, ঐ ইচলগী খোঞ্জেল অমুক্তংদা ওইরসু তাজগে।

য়াইমা :- হোয় হোয় হৌদোকপা য়াবরা য়েংগে ... ইবেম্মা... ইবেম্মা... কোরৌঙানবী সে নোয় তাতোন্না ফোন অমুক্তা পাইরকউ হায়রিসে।

কোরৌঙানবী :- তাতোন কৈদৌরগে, মীনা অসুক নুংঙাইনা তুল্লিঙৈসিদা হৌদোরকইসিবো, করি হায়গে হায়বনো (উইরি উইরি ঙাংবা)।

তোলেনখোম্বা :- ইবুং হয়েং য়ুমদা লাক্কনি হায়গে তৌবনিদা, তুমজরো তুমজরো য়ারে য়ারে।

কোরৌঙানবী :- ঐখোয় তাতোনসিদি অদুগী ওইরে, ঐদি পাখৎলুরে তাতোন কৈদৌরগে খল্লুরে, থম্মগে তুমনিংলে য়াম্না (ফোন থমখিবা)।

লৈরিক :- তোলেনকোম্বা ! নঙসু অমুক তুমথনবা তৌরো, মঙ হায়সিদি মঙনি করিসু তৌরোই পাখৎলুরনু, তুম্মো তুম্মো, ঐখোয়সু অমুক তুম্লুরগে।

য়োইময়াই :- অদুদি মরুপ নঙসু অমুক পোত্থাহৌরো, লাকও ইমা চৎলসি।

-ম্যুজিক-

(মফম: লোয়ালম, মতম: নুংশা শাগৎলকপা মতম, ষণশিংনা খোংবগী মখোল)

কোরৌঙানবী :- হায় হায় অরাংবী... অঙৌবী... অঙাংবী... অমুবী কৈনো নোয়না পংখোংদা খোঙলিদুবো... ঈশিং খৌলাংলবরো... সে.... সে... নখোয়গী ঈশিঙ থক্লবা সিদা লৈরেসে, থকও... থকওনে...।

য়াইমা :- নোয় তাতোন্দুবু য়ৌরক্লবরো, মা লাক্কনি হায়রকপদুদা লৌবুক্তগী পরপ পরপ কারকঅবনিনে।

কেরৌঙানবী :- য়ৌরকত্রিয়ে তাচৌ, ঙহাক লৈরদি য়ৌরকপসু য়ারে।

য়াইমা :- ফরে ফরে, মখোয়গী মমান্নবা য়োইময়াইগী মমাগী মমিংদুবো... আ লৈরিক হায়বা ওইরমাল্লে, মোয় ইমাদুসু য়াওরক্কনি হায়রকপরা।

কোরৌঙানবী :- উম য়াওরক্কনি হায়রকই।

যাইমা :- অদুদি চাকপু থোংলবরো নঙবো?

কোরৌঙানবী :- উম থোংলে, অদো তাচৌ এঙ্খাংদি ঐনা ঙসাই পাৎতগী ফারকপা উকাবীদুগা খামেনসিনবা মচা খরগা থোঙজিল্লে, য়েল্লিগা থাংজিংগা শিংজু অমা সুরে।

যাইমা :- নঙবু ঐখোয়না শুমজবা অশেংবা শঙ্গোম হোরেল মখোয়দা পীথক্লবা খাক্তুনা থম্মু হায়বদুদি থল্লবরো?

কোরৌঙানবী :- থল্লে তাচৌ (গাড়ী লাকপগী মখোল) ... ঐখোয় তাতোনহোয় লাকঅমাল্লে।

যাইমা :- য়োইময়াই নোয় লাকএদনা, আ ইমা হেক্তা কৌজরগে য়োইময়াইগী ইমানিনা... শোমদা হেক্তা চংবীরকও, ঐখোয়গীদি লোয়ালমনিনা য়োইময়াই নোয়নদি হৈনপোৎনতেদা।

য়োইময়াই :- তাচৌ ! ঐদি সহরগী অরাংবা, নীল খোংবা, অমোৎপা শেংদবা নুংশিৎ মরক্তুদা লৈগদবগী শরুকপুদি মফমসিদনা হেন্না লৈনিংঙি।

লৈরিক :- হোয়নে ঐখোয়সু নোয়গী স্বাইসিদা লম অমা লৈরগা য়ুম শাদুনা লৈবা তারে।

তোলেনখোম্বা :- মতম অমদা মহৌশাগী ফজবা পুম্বনা লৈতেংলম্বা মফমসে হৌজিক্তি অকোয়বগী ফীভমদা চাওনা অহোংবা অকায়বা লৈরে, মরু কোল্লবা চীংমাইশিং অসি উবদা ঐদি য়াম্না পাখৎলে।

কোরৌঙানবী :- তাতোন ঐগী করি লৈরক্কে, ঐগী কৈনোমা লৈবিরক্কনি হায়খিবদাইনে।

য়োইময়াই :- নোয় তাতোন্না লৈরকত্রসু ঐনা লৈরকএ ইচলনা পাম্মগদবা পোৎশক অমা।

লৈরিক :- ইমানসু নোয় তাচৌগা নবানিগী ফুরিৎ অমমম লৈবিরকপনি, অচাপোৎসু য়াম লৈবিরকপনি, সে সে লৌশিল্লুসে।

কোরৌঙানবী :- হোয় ইমা, দাদা য়োইময়াই কৈনা ঐনা পাম্বা পোৎ লৈবীরকই হায়রিবদুবো করি পোৎনো ।

য়োইময়াই :- বোক্স অসিগী মনুংদা নঙোন্দা য়াম্না কান্নগদবা পোৎ অমা য়াওরিবনি, সে লৌশিল্লোসে।

কোরৌঙানবী :- (বোক্স হাংবগী মওং) এ ! সিদি এন্দ্রোইদ ফোননিনা, ঐখোয় তাচৌদা ঐনা লৈবীয়ু লৈবীয়ু হায়বা কুইরবনি, দাদানা ওইনা লৈবীরকএ, সিদি ঐঙোন্দা য়াম কান্নরনি, ইন্টর্নেট কন্নেক্ট তৌরগা ঐনা য়েংনিংবা, খঙনিংবা পুম্নমক লাইরিক লৈবা ঙমদ্রসু ফোনসিদগী লায়না খঙবা য়ারনি। তাতোনদি অওইকি ঐগী করিমতা লৈবিরকত্রবো?

তোলেনখোম্বা :- করিগী লৈরক্তনি ইচলগীবু, তু সিদা লৈরিবা অচৌবা খাওসিগী মনুংদা য়াওরিবা বোক্সসি করি ওইরমগদবা মাল্লি।

কোরৌঙানবী :- মশকসু উসু উদনা কমায়না খঙদোয়নো ঐনা ।

তোলেনখোম্বা :- সোলর কুক্করনি সিদা য়াওরিসে, নুংশা মঙালদগী ইনর্জি লৌরগা চাক এঞ্চাং থোংবা য়াবা সোলর কুক্করসি ওইনা লৈবিরকঅবনি নঙ চাক থোংবা ৱাদনবা হায়দুনা।

য়াইমা :- সোলর কুক্করসি লৈরদি ঐ চাক থোংনবা শীং চনবা চৎত্রসু য়াররনি, য়াম ফরে।

লৈরিক :- শীং মৈ থাদুনা চাক থোংবা মতমদা কার্বোনদাইওক্সাইদকী শরুক ময়াম থাদোরক্তুনা ইয়ার পোল্লুসন থোকহনবদুসু ফরনি, হকচাংসু শোক্লুরোই, সোলর কুক্করসিদা ওইনা চাক থোংলদি।

য়াইমা :- ময়াম চাক হান্না অমুক্তা চাথোকখিসি, ঐখোয়গীসিদি চীংখোং চীংয়ানিনা ঙহাক লৈরদি অকনবা নুংশিৎ শিৎলকপসু য়াই, নোং তারকপসু য়াই, চহি খরসিদা হান্নগা মান্নদবা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী ফীভম কয়া মায়োক্লুরক্লি।

তোলেনখোম্বা :- তাচৌ ! তাচৌগা ইবেম্মগা সিদা লৈহৌবসে ঐ আদা লৈফম খঙদে, ঐখোয়গী য়ুমসে চীংখোংসিগা হেক তাইননা লৈবনিনা, মরু কোক্লবা চীংশাংসিনা নীংখায়রকপদা শোয়দনা অৱাবা তাগনি অদুনা সিদগীদি ঐগী থবকসু য়ারক্লগদবনিনা আদা ঐখোয় পুল্লপ লৈরুরসি।

য়াইমা :- হোয় হোয় মফম মতমগী মতুংইন্না তৌবা হায়বদুনি মদুগী ৱাদু কোন্না অমুক খন্নরসি, ইবেম্মা চাক্তু সিদা থাংদোরকলোদনা।

কোরৌঙানবী :- চাকেসে স্বাইদা ওইনা থল্লগে, পুল্লপ হেক্তা চামিন্নরসি ইমা।

য়োইমায়াই :- (চাক চাবা) হাওইহে ইচলনা থোংবা চাক এঞ্চাংসিদি।

লৈরিক :- উম হাওইনে, ঙসিগী ইচাগী শিংজুসিসু ওম্থোক্লা হাওখ্রে

তোলেনখোম্বা :- ইং ২০০৯ অদুৱাইদগী মালেমসিদা নেচরেল দিজাষ্টরনা মরম ওইরগা সেকেন্দ অমা খুদিংগী মীওই অমা ময়ুম মকৈ লৈজদবা মীওই ওইহল্লক্লি, অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং কাইরকপদগী খঙহৌদনা ইচাও থোরকপা, ইকং থোকপা, অকনবা নুংশিৎ শিৎলকপা, সুনামি থোক্লকপা, য়ুহা হারকপনচিংবা থোক্লক্তুনা ইং ২০০৮ অদুৱাইদগীনা হৌজিক ফাওবদা চাওরাক্লা মীওই মিলিয়ন ২২.৫ রোম ময়ুম মকৈ লৈজদবা, অতোপ্পা মফমদা চৎতুনা শৈদাংদুনা লৈবা মীওই রিফ্যুজি ওইহল্লক্লি (মথৱায় নুংঙাইতবা)।

য়াইমা :- তোলেনখোম্বা ! নঙবু কৈদৌরগে নথৱায় অদুক ৱারিদুবো, ঈশ্বরনা তম্বা হায়বদুনি, মহৌশানা ঐখোয় মীওইবদা পীরকপা চৈরাকপু মীওই কনানা নাম্থোকপা ঙমগদগেনে।

তোলেনখোম্বা :- তাচৌ ! ঐ ঙরাং অহিংগী মঙ অদু সুম খল্লুরগা নুংঙাইফম অমা ইখং খঙদে, মীওইবগী মীশিং মালেমসিদা অসুম অসুম হেনগৎলকপদগী অমদি নুংঙাইনা হীংন্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকপদগী মহৌশাগী খুৎশেম কয়াবু থুগাইরুবদগী পীরকপা চৈথেংশিংসিনা মীওই কয়াগী পুন্সি অমদি লন-থুম মাঙহল্লি।

যোইময়াই :- পুন্নমক অচুম্বনি, ইং ২০১১ অমদি ২০১২ তা সোমালিয়াদা ইকং থোক্তুনা মীওই কয়া চান্নবা চীঙ্গাক, থক্লবা ঈশিং ফংদবদগী ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা হীংননবগীদমক চৎনখি। পাকিস্টানদা ইং ২০১০ অমদি ২০১২ কী মনুংদা মীওই কয়া ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা অৰাবা নংহনখি, নেপালদা ইং ২০১৫ তা য়ুহা হাবদগী মীওই কয়া শিখি অমদি ময়ুম মকৈ লৈজদবা মীওই ওইহনখি।

কোরৌঙানবী :- (নুংশিৎ শিৎলকপা) তাচৌ... তাতোন নুংশিৎ অকনবা শিৎপা হৌরক্লে, কমায় তৌনি।

লৈরিক :- (পাখৎপা) হায় হায় অঙাংশা নুংশিৎসি য়াম্না কন্না শিৎলে হায়বনি, কমাই তৌনি ঐখোয়বো।

-ম্যুজিক-